তোঙান তোঙানবা ...

*লামায় ১গী মখা...*স্কিম চৎনরে। স্কিম অসিগী মখাদা কান্নবা কয়ামরুম শোয়দনা ফংহল্লগনি। খূৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লবশিংবু মরেক-মহাও থোকপা পুন্সি মহিং অমা শোয়দনা হিংবা ফংহল্লগনি। অতৈ অতোপ্পা লালহৌবা পুন্নমকসু খূৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা আপিল তৌরদুনা মহাক্না হায়খি, চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা য়ানবগীদমক লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। হৌখিবা চহী মরিগী মনুংদা নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুর কয়া থোরক্তুনা ষ্টেট অসি চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লে।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং লোয়নননা মকোক থোংবা সিভিল, পেরা মিলিটরি অমদি আর্মি ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা চৎনহনখিবা সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসন স্কিমগী মখাদা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা লালহৌবা খুদিংমক্তা লুপা লাখ ৪ পীবগা লোয়নননা চহী অহুম রিহেবিলিটেসন কেম্পতা থল্লিঙৈদা থা খুদিংগী লুপা লিশীং ৬ ষ্টাইপেন্দ ওইনা পীগনি। মসিগীসু মথক্তা লোয়নরক্লিবা খূৎলায়শিং অদুগী মতুংইন্না অহেনবা শেনফম খরসু পীগনি হায়রি।

HL Poll

Q: Meepum khudingmak masagi aningba-apamba fongdokchanabagi fundamental right fangle haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Lamdam ashida International Womens daygi thouram pangthokpagi chap chaba wahanthok leire haina loubra?

Yes 29% No 71%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৯৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৪৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.862545
US Dollar	72.931864
British Pound	101.260435
Australian Dollar	56.269255
Chinese Yuan Renminbi	11.201018
Japanese Yen	0.670935
Malaysian Ringgit	17.709865
Singapore Dollar	54.240810
South Korean Won	0.064168
Saudi Arabian Riyal	19.448497
Thai Baht	2.371957

GAS NEWS

HEIROK INDANE
Valid from 14-01-2021
Booking upto 10-02-2021
Stock:- 306
Home delivery
Contact time : 9.30am to 2.00pm
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto 03/02/2021
Valid from 27/01/21
Time 7.30 to 11am
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-24/02/2021
Valid from-29/01/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 19-02-21
B/upto - 20-02-21
Stock 306
7am to 10am
SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 13-01-2021
VALID FROM 10-01-2021
STK : 306
TIME 7:00 -10:00
DELIVERY DATE 10-03-2021
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 03-01-21
Valid from : 26-12-20
Office no.9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 10.30am
HIYANGTHANG INDANE
Booking 02-01-21
Valid 21-12-20
Stk.-306
Timing 7.a.m.to 10.a.m.
Only home del. Service.
Mobile no. Office no. 6381538861. Whatsapp.no. 7085557686
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00 Noon
BOOKING : 08.01.21
VALID : 02.01.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL
7628098544, 8787630773, 9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 30/01/2021
VALID FROM : 27/01/2021
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/ AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

পাউচে অনীগী ওফিসতা বোম লংশিল্লম্বা থৌদোক্কী কেসতা ফাবা মীওইশিংগী মনুংদা অসাম রাইফলস ১ য়াওরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ১৩গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩৮ লোম তারকপদা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দা লৈবা নুংতিগী অয়ূক্তা ফোঙবা পাউচে অনীগী ওফিসতা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্লবা মতুংদা পাউচে অনীসিগী মনুংদা অমবু থা ৬ ফোঙবা য়ারোই হায়দুনা কিহল্লকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎখিবা নুপী ২ য়াওনা অপূনবা এক্ক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই ৮গী মনুংদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ১ য়াওরম্বগা লোয়নননা ফাগৎখিবা মীওই ৮গী মনুংদগী নুপী অনীদু কোর্টনা বেল পীখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা কেস অসিগী এক্ক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরগা ফাগৎতুনা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবা মীওই ৮মক পুথোরকখি। মীওইশিং অদুদি হৌজিক্লা ক্বাক্তা কৈথেলদা লৈরবা সাইতোন অৱাং লৈকায়দগী এম দি অবদুল হসন (৩৪) অপোকপা এম দি ইতোনচৌ, ক্বাক্তা কৈথেলদগী এম দি সেরাজউদ্দিন (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি সহাবউদ্দিন, ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৫দগী এম দি জামারউদ্দিন (৫১) অপোকপা এম দি সমসুজমান, মোইজিং মৌলানা টাজউদ্দিন (৩৪) অপোকপা মোইজিং মোহম্মদ সহাবউদ্দিন, ৱাহেংবম নিংঙোল হৈরাংখোংবম ওংবী ইবেচা (৪৮) মপুরোয়বা ঐচ রোমেস, লাইরেঞ্জম মখা লৈকায়, নম্বোল থোংখাদগী লাইতোঞ্জম নিংঙোল য়ূম্নাম ওংবী ইন্দুবলা (৪৭) মপুরোয়বা ৱাই থোইথোই, ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও অৱাং লৈকায়গী কাবরিষ্টান অচৌবা মনাক্তগী এম দি সমির খান (৩৬) অপোকপা এম দি হেলিম খান অমসুং মোইরাং খুনৌ মখা লৈকায়দগী মোইরাংথেম রামেস (২৪) অপোকপা এম সোভানি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয় পুম্নমক কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১০নিগী মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি।

কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) ওইরিবী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (ইম্ফাল) বিদ্যাবতি থিংবাইজমনা তৌরকখিবা ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অসিগী মতাংদা কোর্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম য়মুনানা মহাক্কী ওইবা সবমিসনশিং কোর্টতা থমখি। মহাক্কী সবমিসন্দা কেস অসিগী আই ওনা মহাকপু এসিষ্ট তৌখি। অদুগা অপূনবা এক্ক্যুইজ ৮ অসিগী মায়কৈদগীসু তোঙান তোঙানবা কাউন্সেলশিংনা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা লেপখি। অপূনবা এক্ক্যুইজ ৮গী মনুংদা এক্ক্যুইজ নম্বর ৫ অমসুং ৬ ওইরিবী নুপী অনীসিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেল পুন্নমক্না পুলিসনা মখোয়বু কেস অসিদা লান্না চিংশিন্দুনা চার্জ তৌবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়নননা মখোয়বু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জখি।

কোর্টনা এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমসুং এক্ক্যুইজশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেল পুন্নমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ৱাহেংবম নিংঙোল হৈরাংখোংবম ওংবী ইবেচা অমসুং লাইতোঞ্জম নিংঙোল য়ূম্নাম ওংবী ইন্দুবলাবু লুপা লিশীং ৫০/৫০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমমমগা লোয়নবা সিওরিটি বোন্দশিংগদা কেস অসিদগী বেল পীখি।

সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়েংখোম সোমোরজিৎনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এ পি পি অমসুং কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না বেল পীরবা এক্ক্যুইজ অনী অসিগী মায়কৈদগী ফর্নিশ তৌরক্কদবা পি আর বোন্দগী এমাউন্ট অদুগী মনুংদগী লুপা লিশীং ২০/২০গী শেনফমদি শেল ওইনা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরক্কবা খঙহনখিবগা লোয়নননা মসিগা লোয়নগদবা সিওরিটি বোন্দশিং অদুনা প্রোপর্টি দোক্যুমেন্ট নৎত্রগনা থবক তৌবা মীওই ওইরগনা মহাক্কী পে সর্টিফিকেট ফর্নিশ তৌরক্কবসু খঙহনখি।

অদুম ওইনমক কেস অসিদগী বেল পীরবা এক্ক্যুইজ নুপী অনী অসি পুলিসকী মায়কৈদগী চথরক্লিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননা আই ওনা ৱাহং পাউহং তৌনীংলকপা মতমদা মখোয় মশা ফংহনগদবনি হায়খি। লোয়নননা কোর্ট অসিদগী মাঙজৌনবা পার্মিসন য়াওদ্রগদি মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাগৎখিবা অপূনবা মীওই ৮গী মনুংদা এক্ক্যুইজ নম্বর ৭ ওইরিবা এম দি সমির খান (৩৬) অপোকপা এম দি হেলিম খান ক্ষেত্রিগাও অৱাং লৈকায় (কাবরিষ্টান অচৌবা মনাক) দা লৈবা এক্ক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অসিদি ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেন (নম্বর জি/৫০০১৯৪৪ ঐচ) ওইরিবা মীওইনি হায়রি।

পল্লেল দ্রগ কেসতা কোর্টনা মীওই অনী মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৯ (ঐচএনএস): ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৩গী ফেব্রুৱারী ২৪গী অয়ুক্তা মতম অদুদা ইম্ফালগী এম সেক্টরদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী পি আর ও (দিফেন্স) ওইরম্বা কর্নেল অজয় চৌধুরিনা লুচিংবা খূৎপু অমনা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মোরে তম্না পুশিল্লকখিবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা পল্লেলদা হকথেংননা ফাগৎখিবা কেসকী চথরক্লিবা ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অনী কোর্টনা মচিন হংখ্রে।

লম্ফেল পাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর লমখনপাও তেন্সিংগী কোর্টতা ঙরাং মচিন হংখিবা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অনী অদুদি ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোনগী চসাদ এভেন্যুদা লৈবা থাইখোভাং হাওকিপ (৭২) অপোকপা লৈখিদ্রবা হেম্পাও হাওকিপ অমসুং ইম্ফালগী দুলালেন্দগী ওর্কিদ টেরেন্সতগী নেখোহোই হাওকিপ (৩৫) মপুরোয়বা সৈখোলেন হাওকিপনি। মখোয় অনী মথংশিংনা কেস অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর ১৭ অমসুং ১৮নি। পি দব্লিয়ু নম্বর ১৭ ওইরিবা মীওই অসি একাউন্টেন্ট জেনরেল ওফিসতা সিনিয়র একাউন্টেন্ট ওইনা থবক তৌরম্বদগী হৌখিবা কুমজা ২০১২দা থবক্তগী পোথাখ্রবা মীওইনি। মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা চপ চাবা চহী অদুদি নীংশিংবা ঙম্দ্রে হায়রদুনা নুমিৎক্তী নুংথিলদা মহাক্না সৈখোলেন হাওকিপ অমসুং মহাক্কী মচানুপীগী য়ুমদা থুংলুবা মতমদা পুলিস পর্সনেল ময়াম লৈরম্বা থেংনখি হায়খি। মতম অদু থেংজিল্লকপনা মরম ওইরদুনা য়ুম অদুগী মনুংদা সৈখোলেন হাওকিপখক নক্তনা লৈরমখিবা অতোপ্পা নুপাশিং অদুদি মহাক্না মশকলাকশিনবা ঙমখিদে হায়খি।

মফম অদুদা মহাক য়ৌবগা সৈখোলেন হাওকিপকী মচাশিংদু য়ুম অদুগী মপান্দা মহাক্না শেন্নদুনা লৈখি হায়খি। লোয়নননা কেস অসিগা মরী লৈননা মঙোন্দা উৎখিবা সিজর মেমোশিং অমদি এরেষ্ট মেমোনচিংবা মহাক্না মশক তাকখিবগা লোয়নননা সৈখোলেন হাওকিপ (মহাক্কী মচানুপী লৌবা ময়ানুপা) ফাবগী এরেষ্ট মেমোদা মহাক্না পীখিবা খূৎয়েক অদুবুসু কোর্টতা মশক তাকখি। পি দব্লিয়ু নম্বর ১৮ ওইরিবী (পি দব্লিয়ু নম্বর ১৭কী মচানুপী) গী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা মহাক হৌজিক ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) চুড়াচান্দপুরগী মখাদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইনা থবক তৌথি হায়রি। হৌখিবা কুমজা ২০১০দগী মহাক চুড়াচান্দপুরগী এস মোলেন ভিলেজদা লৈবা জি বি হায় স্কুলদা ওজা ওইনা থবক তৌই হায়খি।

মহাক্না সৈখোলেন হাওকিপকা কুমজা ২০০৭তা লুহোংদুনা য়ূম পানমিন্নরকপদগী মচানুপা অনী লৈরে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মপুরোয়বা সৈখোলেন হাওকিপপু ফাদুনা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী লোকঅপতা থমখিবা মতমদা মহাক্না উনবা চৎখি। মতমদুদা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনি হায়বা মহাক্না মমিং মথা নীংশিংবা ঙমদ্রবা পুলিস ওফিসর অমনা মঙোন্দা মথংদা মহাক্না মফম অদুদা লাকপা মতমদা সৈখোলেন হাওকিপকী মোবাইল হেন্দসেট অদু পুরক্লবা হায়রকখি হায়রি।

মসিগী মতুংইন্না মহাক্না মহাক্কী হেলপর অমসুং মরী মতা অমগা লোয়নননা ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা চৎপা মতমদা মহাক্কী মপুরোয়বনা শীজিন্নরম্বা মোবাইল হেন্দসেট অদু বেট্টরি, মেমোরি কার্দ অমসুং এয়রটেলগী সিম কার্দ অমগা লোয়নননা কেস অদুগী আই ওদা খূৎশিন্নখি। আই ও অদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি মহাক্না চৎমিন্নখিবা মীওইশিংদুগী মমাঙদা সিজ তৌখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা শেমখিবা সিজর মেমোশিং মঙোন্দা য়েংহনবা মতমদা মহাক্না মশক তাকখি।

পনবা য়াবদি, পল্লেলদা ইল্লিগেল ওইবা দ্রগ ময়াম ফাগৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ককচীং পুলিস ষ্টেসননা তোঙান তোঙানবা কেস অহুম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু কেসশিং অদু সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খূৎশিন্নখিবদগী কেসশিং অদুগী চার্জশীটশিং ত্রাইএল কোর্টতা থাগৎলকখিবনি। লোয়নননা কেসশিং অদুগী ৱায়েল চথনবগী থবকশিং কোর্ট অসিনা লৌখৎলকপদা তোঙান তোঙানবা কেস অহুম অদু শুপ্নতগী কেস অমখক্তদা পূনশিল্লগা এক্ক্যুইজশিং অদুগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌদুনা মসিগী ৱায়েল লেপ্তুনা চথরক্লিবনি।

শিজ হোস্পিটালগী ডাক্টর নিতেশ্বরনা অহানবা সর্জিকেল ফেকলটি ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচএনএস): শিজ হোস্পিটালগী ঈ এন টি সর্জন ডা. মোইরাংথেম নিতেশ্বরনা ঈ এন টি সর্জিকেল ৱার্কশোপতা ষ্টেট অসিগী ওইনা অহানবা সর্জিকেল ফেকলটি ওইরে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নেসেন্টনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লাইভ সর্জিকেল ৱার্কশোপ পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদগী লাইভ ওইনা দেমোন্সত্রেসন উৎখি। ৱার্কশোপ্তা শরুক য়াবা মণিপুরগী ওইনা শিজ হোস্পিটালনা অমত্তা ঙাইরবা হোস্পিটাল ওইখি।

ঈ এন টি সর্জনশিংগী লূপ অমা ওইরিবা নেসেন্টনা হৌগৎলক্লিবা সর্জন্টশিংবু অনৌবা ৱাখল্লোন পীনবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি।

শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদকী দেপ্যুটি মেনেজর তখেল্লম্বম প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সর্জিকেল ৱার্কশোপতা ডা. মোইরাংথেম নিতেশ্বরনা ফঙ্কসনেল এন্দোসকোপিক সাইনস সর্জরি (এফ ঈ এস এস) অমসুং থাইরোইদ সর্জরি লাইভ ওইনা দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি। শিজ হোস্পিটালগী ডা. মেধাবতি তাওরেম অমদি জেনিমসকী ডা. বিরাম তখেল্লম্বমসু দেমোন্সত্রেসন অদুদা শরুক য়াখি। শিজ হোস্পিটালনা শেল অমত্তা লৌদনা ওপরেসন অনীমক পাঙথোকখিবনি হায়রি।

নোংমগী ওইবা সর্জিকেল ৱার্কশোপ অদুদা ইম্ফালগী শিজ হোস্পিটাল, গুৱাহাটিগী মেত্রো হোস্পিটাল, সিব সাগরগী সিয়ুকফা হোস্পিটাল অমসুং ন্যু দেল্লিগী বি এল কে হোস্পিটালগী ঈ এন টিগী সর্জনশিংনা পাঙথোকপা ওপরেসনশিং উৎখি। ৱার্কশোপকী সর্জিকেল সেসন্দা মণিপুরগী ডা. কে ঐচ ইবোহল অমসুং প্রোফেসর মোধুমঙ্গলনা মোদরেটর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুরদা দিলিমিটেসন হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি পাঙথোক্লরোই : এম দি এ

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা মার্চ ৩দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা দিলিমিটেসন হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি পাঙথোক্লরোই হায়না মণিপুর দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্স (এম দি এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী কনভিনর, এদভাইজর অমদি কো-কনভিনরনা পুন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০১গী অরানবা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা দিলিমিটেসন পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙলকপা গেজেট নোটিফিকেসনগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এম দি এগী কনষ্টিট্যুএন্ট মেম্বর ওইরিবশিংগী মরক্তগী শিব সেনা মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী, মণিপুর নেসনল দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এম এন দি এফ)কী সিনিয়র ভি পি, কে খগেন্দ্র, এন সী পি মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমা অমসুং এ এ পি মণিপুর য়ুনিটকী মেম্বর শবিরনা পিটিস্নর ওইদুনা পি আই এল অমা থাঙ্গৎখি। লোয়নননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, হোম মিনিষ্টর অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু অরানবা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবীদনবা মেমোরেন্দম কয়াসু পীশিনখি। মসিবু তাবীদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২১গী মার্চ ৩দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসনগী মতুংইন্না কুমজা ২০২০গী মার্চ ৬তা থোকখিবা নোটিফিকেসন্দা য়াওরিবা ষ্টেটশিং অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা দিলিমিটেসন ওমিট তৌরগনি হায়রবনিনা মণিপুরদসু হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি দিলিমিটেসন তৌররোই হায়না ফোঙদোরক্লি। নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না মণিপুর দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এম দি এ)না হায় কোর্টতা থাখিবা পি আই এল অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমশিং খন্নবীদুনা ওমিট তৌরে হায়রবনিনা মখা তানা চথবগী মরম লৈত্রে হায়না লৌজরগা এম দি এগী কম্মিটিনা হায়রিবা পি আই এল অসি ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না ৱারেপ লৌরে হায়নসু মণিপুর দেমোক্রেটিক এলায়েন্সকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়দুনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি লূপ কয়ানা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

ওক লোইবনা অতেনবা মতমদা শেন্দোং চাওনা ফংহনবা...

লামায় ১গী মখা... কান্নবা শিনফম অমনি। মরম অদুনা ওক লোইবগী শিনফমদা মপুং ফানা চঙশিল্লবদি শেন্থোক লম্বী চাওনা লৈহনবা য়াই। রিজনেল এগ্রি ফেয়র ২০২০-২১গী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা টেক্নিকেল সেসন অদুদা শরুক য়াখিবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী পব্লিশর অমদি ওর্গানিক ফার্মর সৌবাম নিলধজনা হায়খি, পাউচে অমগী প্রোপাইটর অমদি পব্লিসর অমা ওইনা থবক তৌরগসু এগ্রিকলচরবু পামজরুবা মরম্না ইশাগী ফার্মদা ওক, য়েন, ঙানুনচিংবা কয়া লোইরি। লোয়নননা ওর্গানিক ফার্মিংসু তৌরি। অসিগুম্বা এগ্রিকলচরগী লম্দা পাঙথোকপা সেমিনার, ৱার্কশোপ অমদি এগ্রি ফেয়রগুম্বদা শরুক য়াবসি য়াম্না কান্নে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এক্সপার্ট ওইনা শরুক য়াখিবা নাগালেন্দগী আই সি এ আর- নেসনল রিছর্স সেন্টর ওন মিথুনগী দিরেক্টর ডা. মিরাজ খাননা মিথুন (ষণদং)গী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। লোয়নননা মিজোরামগী কোলেজ ওফ ভেটিরিনরি সাইন্সেস এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী দিন ডা. এল মারনা কোইলস ফার্মিংগী কান্নবা অমদি ফার্ম তৌবদা চঙবা মচাকশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। সেসন অদুগী মখা তারকপদা কোলেজ ওফ ভেটরিনরি সাইন্সেস এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি, জালুকি, নাগালেন্দগী দিন ডা. অরুন কে শাংৱানা দি ৱর্মিং এন্দ পেরাসাইটিক দিজিজেজ হায়বা টোপিক্তা ৱা ঙাঙখি। আই সী এ আর, বরাপানি, মেঘলায়াগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. জি কাদিরবেলনসু থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুদা ওন্ট্রপ্রেনর ওইনা শরুক য়াখিবা য়ূমশা গ্রুপকী প্রোপাইটর হোমেশ্বর পাউনমনা য়ূমশা পোলত্রি মতৌ করম্না হৌরকখি অমদি পোলত্রি ফার্ম অমা ওইনা ইষ্টাব্লিস তৌনবা হোৎনরকপদা থেংনখিবা প্রোব্লেম কয়া মীয়ামদা পাউদমখি। লোয়নননা চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা য়ূমশা গ্রুপনসু নোংমদা য়েরুম ৫০,০০০ রোম পুথোক্লবা পান্দম থমলি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়নননা ওক অমদি হামেংগী ফার্ম মায়পাক্লা তৌরিবা খোংহামপাৎকী এম এস অবিয়ান হাউসকী প্রোপাইটর চোংথাম রুপদত্ত, নহা ওইরিবি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লুকেরদা পিগরি ফার্ম তৌরিবি ওন্ত্রপ্রেন্যুর পেপে কৈথেল্লাকপম অমসুং ব্রোইলর অমদি লেয়র মায়পাক্লা য়োক্লিবা নাগালেন্দগী ওন্ত্রপ্রেন্যুর নাশিতেমসুনচিংবসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

সী এ য়ুগী রিজনেল এগ্রি ফেয়র ২০২০-২১গী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা টেক্নিকেল সেসন অদু লোয়শিল্লকপদা এনিমেল হজবেন্দ্রিগী মতাংদা তোঙান-তোঙনবা টোপিকশিংদা এক্সপার্ট কয়ানা থমখিবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা কুইজগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। লোয়নননা ক্যুইজগী পাউখুম চুম্না পীখিবা মীওই ১০দা খুদোলপোৎসু পীখি।

হায় কোর্টনা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎহনবীনবা প্রেয়র ...

লামায় ১গী মখা... থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১/১৩ (১৩) ২০১৬-এল এ (ঈ) গী মতুংইন্না ওফিসিএটিং বেসিসতা প্রিন্সিপাল প্রাইভেট সেক্রেটরিদা প্রমোসন পীখিবা ওফিসল অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর ওফিসল অদুগী মমিং য়াম্বেম দেবেন্দ্রো (৪৯) কৌই। ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মমাঙ অয়াংপল্লি রোদকী মুতুম লৈকায়দগী ৱাই ইবোয়াইগী মচানুপানি। মহাক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিদা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবনা চৎলিবা কুমজা ২০২১গী জুলাইদা সুপর এন্যুএসন ওইরগদবী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী সেক্রেটরি এম রমনি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবা জি তপনকুমারনি। অদুগা মহাক্কী পিটিসন অসিদা ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী সেক্রেটরি, মণিপুরগী গভর্ণরগী সেক্রেটরি অমসুং এসেম্বলি অসিগী স্পিকরনি।

পিটিস্নরনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দব্লিয়ু পি (সিভিল) নম্বর ২৪৪ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। পিটিস্নর য়াম্বেম দেবেন্দ্রোনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক্কী সিভিল রিট পিটিসন অসিদা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবা এসেম্বলিগী সেক্রেটরি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) অনীনা সেক্রেটরিএট অসিদা সিনিয়র রিপোর্টর ওইনা থবক তৌরম্না টি ঐচ সরতকুমার কৌবা মীওই অমবু ফেবরিটিজম অমসুং নেপোটিজমগী সিরিয়স ওইবা থৌওংদা ওফিসিএটিং বেসিসতা জোইন্ট দিরেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীথোকখি হায়রি।

প্রাইভেট রেসপোন্দেন্ট অনীসিনা হায়রিবা পোষ্ট অসিদা প্রমোসন পীদুনা এপোইন্টমেন্ট পীথোকখিবা মীওই অসিদি সিনিয়র রিপোর্টর ওইনা রেগ্যুলর সর্ভিসতা থবক তৌরকপা চহী ৩শুদ্রিবা মীওইনি হায়বগা লোয়নননা মহাকপু জোইন্ট দিরেক্টরদা প্রমোসন পীথোকখিবা হায়বসি ফম অসিগী রিক্রুটমেন্ট রুলস পুন্নমক্কী মায়োক্তনি হায়রি।

অমরোমদা, এল সচি কৌবা মীওই অমবুনা মার্চ ১৬, ২০১৭তা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না প্রমোসন পীরগা দেপ্যুটি দিরেক্টরদা এপোইন্টমেন্ট পীথোকখিবা থৌওং অসিসু ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকরগী লো-ফুল এপ্রুভেল য়াওদননি হায়রি।

থৌওং অসিসু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি সেক্রেটরি (রিক্রুটমেন্ট এন্দ কন্দিসন্স ওফ সর্ভিস) রুলস, ১৯৭২গী রুল ৯ (২) খোঙ্গাওনরগা চথখিবা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ইল্লিগেল, ইমপ্রোপর অর্বিটেরি ওইবগী মথক্তা মেটেরিএল ইরিগ্যুলরিটিজগী থবক থৌওংশিংনি হায়বগা লোয়নননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৪ অমসুং ১৬না পীরিবা প্রোভিজনশিংদুগী মায়োক্তনি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

থৌওংশিং অসিগী মতুংইন্না প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা সেক্রেটরি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) না চথখিবা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টগী প্রমোসন অমসুং এপোইন্টমেন্টগী থৌওংশিং অসিগীদমক ওফিসর অনীসিগী মথক্তা ইনক্বারি চথফম থোকই হায়বসিনি।

লোয়নননা পিটিস্নর অসিবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি সেক্রেটরিএট (রিক্রুটমেন্ট এন্দ কন্দিসন ওফ সর্ভিস) রুলস, ১৯৭২গী রুল ১৮গী সব রুল (১) (এ) গী মখাদা সেন্ত্রেল সিভিল সর্ভিসেস (ক্লাসিফিকেসন, কন্ত্রোল এন্দ অপিল) রুলস, ১৯৬৫গী রুল ১০গী সব রুল (১) চিংশিল্লক্তুনা মহাক্কী সর্ভিসতগীসু সস্পেন্দ তৌরকখি হায়রি।

থৌওং অসিমকসু প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা ওফিসর অনীসিনা পিটিস্নরগী মথক্তা কন্মিট তৌবা সেরিয়স মিসকন্দক্ট অমসুং ইলিগেলিটি থবক থৌওংশিংনি হায়দসু কোর্টতা ফোঙদোক্লি। মরম পুন্নমকশিং অসিনা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা সেক্রেটরি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) গী মথক্তা এপ্রোপ্রিএট প্রোসিদিং/দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং লৌখৎনবগীদমক হায় কোর্টনা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিং অসিদা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়বসিনি।

সিভিল রিট পিটিসন অসি ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চকী আইটেম নম্বর ৮দা লিষ্ট তৌখ্রে। কোর্টনা মেটর অসিগী লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলনা তৌরকপা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সিভিল রিট পিটিসন অসিগা রেসপোন্দেন্ট পুন্নমক্তা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। লোয়নননা কেস অসিগী মথংগী ৱায়েল এপ্রিল ৫, ২০২১দা পাঙথোক্লবগীদমক লিষ্ট তৌনবসু কোর্টনা দিক্সেন পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুর এসেম্বলি সেক্রেটরিএটকী ওফিসিএটিং বেসিসতা প্রিন্সিপাল প্রাইভেট সেক্রেটরি (পি পি এস) ওইনা দি পি সীগী রিকম্মেন্দেসন মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট পীরুরবা অমসুং দিসেম্বর ১২, ২০১৬তা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১/১৩ (৫) ২০১৫ - এল এ (ঈ) গী মতুংইন্না পোষ্ট অসিদা রেগ্যুলরাইজ তৌখ্রবা পিটিস্নরবু প্রমোসন পীখিবগী ওর্দর চৎনহন্দবগী মায়োক্তা পিটিস্নর অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মমাঙগী কুমজা ২০২০দা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৬৮৭ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরক্তুনা হৌজিক মসিগী ৱায়েলসু চথরিবনি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অহানবা প্রাইভেট কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে

INAUGURATION PROGRAM OF FIRST PRIVATE COVID-19 VACCINATION AT SAMARITAN NURSING HOME
BIJANG, CCPUR
Date : 9th March, 2021
CHIEF GUEST :
Shri. Pawan Yadav, D.C, CCpur
GUEST OF HONOUR :
Dr. V.C. Pao, C.M.O, CCpur
FUNCTIONAL PRESIDENT :
Dr. Paolunmang, D.I.O, CCpur
DEDICATION & CONSECRATOR :
Rev. ...bert Somi, Good She... Parish, CCpur
Vaccinated Today ...y Safe

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা অহানবা প্রাইভেট কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টর অমা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী বিজাংদা লৈবা শমরিতান নর্সিং হোমদা হাংদোকখ্রে।

ঙসি অহানবা প্রাইভেট কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টর হাংদোকপগী থৌরমদা চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পৱন য়াদবনা চীফ গেষ্ট ওইখি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. ভুমচিনপাও তোন্সিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইবগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইনফোর্মেসন ওফিসর ডা. পাওলুনমাং গ্রেসনা ফঙ্কসনেল প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখিবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মায়োক্লহনবা খুদোংচাদবশিং খ্বাইদগী চাং ৱাংনা মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা খূৎশম্নিনা হোৎনমিন্নবদগী অচৌবা মতেং ফংবা ঙমখি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব মায়োক্লবা হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবগীদি মফমসিদা লৈত্রি হায়বগা লোয়নননা মীয়াম্না ভেক্সিন অসি কাপ্পগা লোয়নননা এস ও পি ঙাক্না চৎপীয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক অসি হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তা মিনিষ্টর ভুমজাগিন বালটেনা হৌদোক্তুনা হীদাক অসিবু কাপ্পা হৌখ্রবনি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)
#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 8TH MARCH 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats : 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011,
Reseacnal Manhunt Manipur 2014,
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015,
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up,
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses : Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March